**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 15.04.2024)**

## অকাশবানি ইম্ফালগী নুমিদাং পুং ৭:৩০ গী মণিপুরী পাউ

## (তাং ১৫-০৪-২০২৪, নিংথৌকাবা)

--সিগনেচর ট্যুন--

**---অকাশবানি ইম্ফাল আর.কে গোরানিনা পাউ পাজরি---**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) বি.জে.পিগী লুচিংবা অমসুং গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা হায়রি- মনিপুরগী অপুনবগী শক্তম থুগাইবা কনাগীসু মতিক নত্তে ।

২) মনিপুরবু বি.জে.পিনা কদায় ফাওবা লুমা লৌবগে হায়বদু ঙসি গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা তাক্লে হায়না মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা ফোংদোকখ্রে।

৩) এম.পি.সি.সিগী ৱার্কিং প্রসিদেন্ত কে.ঐচ দেবব্রতানা হায়রি- বি.জে.পি লুচিংবা অমসুং গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহগী মনিপুর খোংচৎ অসিনা রাজ্য অসিগী মীয়াম্বু হেন্না খোয়শাউনহল্লে।

৪) ইম্ফাল জিরিবাম লম্বী নেসনেল হায়ৱে ৩৭ তা সেক্যুরিতিগী খুদোংচাদবা লৈবদগী পেট্রোলিয়ম প্রদক য়াওনা নোংমদা তঙাই ফদনা চংবা পোৎলমশিং পুবা গাড়ি ৩০০ হেননা পন্দুনা লৈরে।

**অমসুং**

৫) ত্রিপুরাবু চাউখৎপা রাজ্য অমা ওইহনবা হায়বসি নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা সরকার অসিগী অচেৎপা ফীরেপনি হায়না বি.জে.পিগী লুচিংবা মসুং গহ মন্তি অমিত সাহনা থাজবা পীখ্রে।

**---সিগনেচর ট্যুন---**

**অমিট সাহ(এল)ঃ        মনিপুরগী অপুনবগী শক্তম থুগাইনবা হোৎনরকপা পুমমক ভারতিয়া জনতা পার্টি অমদি প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা থেংগনি হায়দুনা** বি.জে.পিগী লুচিংবা অমসুং কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা ফোংদোকখ্রে। মসিগা লোয়ননা রাজ্য অসিদা রাজ্য অসিদা থোক্লিবা কাংলুপকী ইরাং অসিগা মরী লৈনবা খুদিংমক্কা ৱারি শাদুনা থোক্লিবা ৱাথোক অসি শান্তি ওইনা লোইশিন্নবা হোৎনগনি হায়নসু মহাকা মীয়ামদা থাজবা পীখ্রে।

লাক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলগা মরী লৈননা ইম্ফালগী হাপ্তা কাংজৈবুংদা পাঙথোকপা ভারতিয়া জনতা পার্টিগী মীখলগী মীতিনদা শরুক য়ারদুনা গৃহ মন্ত্রি শ্রী অমতি সহানা হায়- রাজ্য অসিদা পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভা মীখল অসি বি.জে.পি অমসুং কংগ্রেসকী মীখল নত্তে। মনিপুর থুগাইবা পান্থৱশিং অমদি মনিপুর কনবা পান্থৱা বি.জে.পি অনিগী মরক্তা পাঙথোক্কদবা মীখলনি।

মমাং চহিদগী মনিপুরদা হৌরকখিবা কাংলুপকী ইরাং অসিগী মতাংদা পল্লদুনা শ্রী সাহনা হায়- ইরাং অসি আইনগী ৱাংমদা মপানদগী চংশিল্লকপা মীতোপশিংনা মনিপুরগী শক্তম থুগাইনবা হায়দুনা হৌরকখিবা ইরাংনি। অদুবু মপানদগী মীতোপশিং চংশিল্লকপা থীংনবা প্রধান মন্তি নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা বি.জে.পিগী সরকার অসিনা ইন্দো ম্যান্মার ঙমখৈগী মনিপুরগী শরুক্তা বোদর ফেন্সিং খাবগী থবক চংশিল্লি। মসিগা লোয়ননা ভারত অমদি ম্যান্মার অনিগী মরক্তা লৈরম্বা ফ্রি মুভমেন্ত রিজিম লৌথোকখ্রে।

শ্রী অমিত সাহনা মখা তানা হায়- বি.জে.পিনা মনিপুরদা করপসন মুথৎখিবনি। রাজ্য অসিদা তংদু লৈতাবা পুরকপা হায়বসি শ্রী মোদিগী মরুওইবা থৌদাংনি । মনিপুর য়াওনা অৱাং-নোংপোক রাজ্যশিংদা অহোংবা লাকপা মতমদা ভারতকী মরাইবক্তা অহোংবা লাক্কনি । মরম অদুনা ইন্নর লাইন পার্টমিট পিবিনবা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা প্রধান মন্ত্রিদা হায়রকপদগী ইন্নর লাইন পর্মিট অসি বি.জে.পি সরকারনা পীরকখিবনি।

**--সাউন্দ অমিত সাহ**

ঙসিগী থৌরম অদুদা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন, মন্ত্রিশিং অমসুং সরকার পায়বদা য়াওরিবা এম.এল.এশিং, বি.জে.পিগী করিয়াকর্তাশিং শরুক য়াখি।

**বিরেন(এল)ঃ** গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা ঙসি ফোংদোক্লকখিবা ৱাফমশিং অদুনা মনিপুরবু ভারত্যা জনতা পার্টিনা কদায় ফাওবা লুমা লৌবগে হায়বদু চপ চানা তাক্লে হায়না মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা ফোংদোকখ্রে। শ্রী অমিত সাহগী মনিপুর খোংচৎ অদুগা মরী লৈননা ঙসি মুখ্য মন্ত্রি সেক্রেটরিয়েত্তা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা শ্রী বিরেননা হায়-শ্রী অমিত সাহগী মনিপুর খোংচৎতা লম্বীদা থোরক্তুনা তরামা ওকপিখিবা অমদি হপ্তা কাংজৈবুংদা পাঙথোকখিবা মীফমদুদা শরুক য়াখিবা পুমমকপু থাগৎপা ফোংদোকখি।

**--সাউন্দ সি.এম--**

**কংগ্রেস(এল)ঃ** মনিপুর প্রদেশ কংগ্রেস কম্মীতিনা ঙসি ইম্ফালদা পুং খরগী খোংচৎতা থুংলখিবা বি.জে.পি লুচিংবা অমসুং গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা মনিপুরগী মীয়াম্বু লান্না উহনবা য়াবা ৱাফমশিং ফোংদোক্লম্বদা য়ানিংদবা ফোংদোক্লি।

ঙসি নুমিদাংৱাইরম ইম্ফালগী কংগ্রেস ভবনদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা দলগী ৱার্কিং প্রসিদেন্ত দেবব্রতানা হায়- ভারত অমসুং ম্যান্মার ঙমখৈদা শম্বল খাবগী থবক অসি কংগ্রেসনা সরকার পায়রিঙৈ ২০১২-১৩ দা হৌরম্বনি। চয়েৎনবা খরা লৈবদগী শম্বল খাবগী থবক লেপখিবনি। অদুবু মীয়ামদা লান্না উহনবা য়াবা ৱাফমশিং ফোংদোকখিবা অসি লাইবক থীবনি।

মহাকা হায়- মনিপুরদা থোক্লিবা কাংলুপকী ইরাং অসি ঙসি ফাওবা বি.জে.পিনা লৈঙাক পায়রিবা কেন্দ্র অমসুং রাজ্য সরকারনা লোইশিনবা ঙমদনা লৈরি। শ্রী দবব্রতানা হায়-

**--সাউন্দ কংগ্রেস--**

**খোংজং(এল)ঃ** গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহ্‌গী মনিপুর খোংচৎপু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা ঙসি ইম্ফালগী তোঙান তোঙানবা মফমদা লৈবা কৈথেল খরদা পোৎফম ফম্বীশিংনা ঙসি নোংমগী শিন্থা লেপ্তুনা খোংজং চংশিনখি।

মসিগা লোয়ননা লমলোং য়াওনা খুরাইগী মফম কয়া ৱাংখৈ,চেকোন য়াওনা ইম্ফাল ইষ্টকী মফম কয়াদা মীয়ামা লম্বী থৎতুনা খোংজং চংশিনখি। তুংদা পুলিস লাক্তুনা খোংজং চংশিল্লিবশিংবু লাকশিনখি।

**--পাউগী মরক থৎনা অতেংনবা ব্রেক অমা --**

**--তাবীরিবা পাউ অসি অকাশবানি ইম্ফালদগীনি --**

**হায়ৱে(এল)ঃ** ইম্ফাল জিরিবাম লম্বী নেসনেল হায়ৱে ৩৭ তা সেক্যুরিতিগী খুদোংচাদবা লৈবদগী পেট্রোলিয়ম প্রদক য়াওনা নোংমদা তঙাই ফদনা চংবা পোৎলমশিং পুবা গাড়ি ৩০০ হেননা পন্দুনা লৈরে। ঐখোয়গী জিরিবাম পাউমী ঙাথেম বিস্বাজিৎনা হায়- মতম শাংনা লম্বীদা পন্দুনা লৈরকপদগী গাড়ি দ্রাইভরশিং অনা অয়েক য়াওরকপা লোয়ননা শেল লৈশিল্লকত্রে হায়রি। অসিগুম্বা ফীভম অসি মরী লৈনবশিংনা য়েংশিনবিদুনা অথুবদা থবক লৌখৎহন্নীংবগী অপাম্বা ফোংদোরক্লি।

**বিষ্ণুপুর ঃ** ১৮ শুবা লোক সভা মীখলগা মরী লৈননা লাক্লিবা এপ্রিলগী ১৯ দা ভোট থাদগদৌরিবা বিধান সভা কেন্দ্র ৪৭ অসিগী মনুংদা বিষ্ণুপুর জিলাগী মনুং চনবা বিধান সভা কেন্দ্র ৬ অসিসু য়াওরি। হায়রিবা বিধান সভা কেন্দ্র ৬ অসি ইন্নর মনিপুর পার্লিয়ামেন্তরি কন্সটিট্যুসনদা চল্লি। জিলাসিগী ইলেক্সন ওথোরিতিনা কেন্দ্রশিং অসিদা মীখল মায়পাকা পাঙথোকবা লৌখৎপা য়াবা থৌরাংশিং লৌখৎখ্রে। হিরম অসিগী মতাংদা ঐখোয়গী বিষ্ণুপুর জিলাগী পাউমীগী পাউদম অমা --

**-- সাউন্দ মণিপুরসনা--**

**নুংবা(এল)ঃ** আউতর মনিপুর পার্লিয়ামেন্তরি কেন্দ্রদা এন.দি.এগী মীরেপ ওইরিবা নাগা পিপলস ফ্রন্ট(এন.পি.এফ)কী কে. তিমোথি জিমিক্কী মীখলগী ফিরাল চিংখৎপগী থৌরম ঙসি নোনে জিলাগী লোংমাই বজারদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা বি.জে.পি, এন.পি.এফ অমসুং এন.পি.পিগী ফীরালশিং চপ মান্নবা মতমদা চিংখৎতুনা দলশিং অসি পুন্না চৎমিন্নরি হায়বা উৎখি। রাজ্য সরকারগী মন্ত্রি ওইরিবা কসিম ভাসুম, হিল এরিয়া কম্মীতিগী চিয়রমেন দিনগানলুন গাংমৈ অমসুং তমেংলোং কেন্দ্রগী এম.এল.এ জমহেমলুং পানমৈনা ফীরালশিং অদু চিংখৎখি।

**কংগ্রেস(এল) ঃ** রাষ্ট্রিয়া জন শক্তি পার্টি (এস) মনিপুর প্রদেশনা লাক্কদৌরিবা লোক সভা মীখল অসিদা কংগ্রেসকী মীরেপ অকোয়জম বিমোল অমদি অলফ্রদ কাঙম অথরদা শৌগৎলগনি হায়রি। ঙসি মনিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা দলগী প্রসিদেন্ত অকোয়জম মুখরজিনা হায়- কংগ্রেসতা শৌগৎপগী ৱাফম অসি দলগী সেন্তরগী লুচিংবশিংগী অয়াবা মতুং ইন্না লৌখিবনি।

যুথ (এল)ঃ মনিপুর যুথ লিগ ময়োলনা চথ্থরকপা ‘ ঐখোয়গী অনৌবা লাংওনগী ভোট ’ কেম্পইনগী শরুক অমা ওইনা ঙসি কোন্থৌজম, তোপ উপোকপী , বাসিখোং অমসুং অন্দ্রো য়াওনা মফম কয়াদা কাংলোন চুমা মীখল পাঙথোকবগীদমক মীফমশিং পাঙথোকখ্রে। মদুদা মফমশিং অদুগী মৈরা পায়বিশিং অমদি মীয়ামা শরুক য়াখি । অমরোমদা , কেম্পেইন অসিগী মনুং চন্না ৱাহেংলৈকায়দগী হৌদুনা মখা রোমদা হিয়াংথাং ফাওবা অমসুং মনিংরোমদনা কৈথেলমানবি ফাওবদা লৈবা লম্বীগী নাকয়েৎতা পোস্তর নপ্পগা লোয়ননা চেজাইশিং য়েন্থোকখি।

**--পাউগী মরক থৎনা অতেনবা ব্রেক অমা**

**---অকাশবানি ইম্ফালদগী পাউ তাবিরি---**

**অমিতঃ** ত্রিপুরাবু চাউখৎপা রাজ্য অমা ওইহনবা হায়বসি নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা সরকার অসিগী অচেৎপা ফীরেপনি হায়না বি.জে.পিগী লুচিংবা মসুং গৃহ মন্তি অমিত সাহনা থাজবা পীখ্রে। গৃহ মন্ত্রিগী মনিপুর খোংচৎকী মাংওইননা ত্রিপুরাদা পাঙথোকপা মীখলগী রেল্লি অমা শরুক য়ারদুনা শ্রী অমিত সাহনা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিদা থাজবা থমদুনা লাক্কদৌরিবা মীখল অসিদা দল অসিবু শৌগৎপিয়ু হায়খি।

কংগ্রেস অমদি সি.পি.আই.এমনা ত্রিপুরাদা লৈরিবা ত্রাইবেল ফুরুপশিংবু সরকারগী অৱাংবা থাক্কী ফমশিং পায়হন্নবা হোৎনরমখিদে। অদুবু ভারতনা নিংখা তন্বা চহি ৭৫ গী তুংদা ত্রাইবেল নুপী অমবু লৈবাক অসিগী রাষ্ট্রপতিগী ফম পায়হনখিবা অসি বি.জে.পিননি হায়নসু অমিত সাহনা মখা তাখি।

অমরোমদা, কংগ্রেস অমসুং সি.পি.আই.এমগী লুচিংবশিংসু ত্রিপুরাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোকপা মীখলগী মিতিনশিংদা শরুক য়াদুনা মগী মগী মীরেপশিংগীদমক ভোট খোমখি।

**জিরিবাম(এল)ঃ** জিরিবাম জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসরসু ওইরিবা দিপ্যুতি কম্মীস্নরগী শ্রী কৃষ্ণ কুমারনা ঙসি জিলা অসিগী দি.সি.ওফিস কমপ্লেক্সতগী লাক্লিবা লোক সভা মীখল অসিগীদমক যুম যুমদা চংদুনা এবেসেন্তি ভোটরশিং ভোট থাদহন্নবা পোল্লিং টিমশিং লমথাখ্রে। পোল্লিং টিম অসিদা মাইক্রো ওবজার্ভর অমা, পোল্লিং ওফিসর অনি,বিদিলগ্রাফর অমা অমসুং সেক্যুরিতি পরসনেলগী টিম অমনা যুমথোং যুমথোং চংদুনা ভোট থাদহনবগী খোংথাং অসি লৌখৎলি। মীপুম খুদিংমক মীখল অসিদা অমত্তা চিখ্নদনা ভোট থাদবা ঙমহন্ননবা ইলেক্সন কম্মীসন ওফ ইন্দিয়ানা লৌখৎলকপা থৌরাং মনুং চন্না খোংথাং অসি লৌখৎলকপনি।

**চান্দেল(এল)ঃ** লোক সভা মীখলগা মরী লৈননা চান্দেল জিলাগী ওইনা দিসপাস্ত এন্দ রিসিভিং টিমগী ত্রেনিং কম মিতিং পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু জিলা অসিগী দি.সি কমপ্লেক্সতা লৈবা কনফরেন্স হোলদা ঙসি পাঙথোকখিবনি। জিলা অসিগী দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসরসু ওইরিবা দিপ্যুতি কম্মীস্নর ময়াংলম্বম রাজকুমার অমদি দিসপাস্ত এন্দ রিসিভিং টিম অহুমগী মেম্বরশিং শরুক য়াখি।

**কংপোকপী(এল)ঃ** লোক সভা মীখলগা মরী লৈননা পোল্লিং পার্টিশিংগী ওইবা মীফম অমা কাংপোকপী জিলাগী দি.সি ওফিস কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখ্রে। দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসর অমসুং দিপ্যুতি কম্মীস্নর কাংপোকপী মহেশ চৌধুরি য়াওনা মীফম অদু পাঙথোকখি।

**লাউদ স্পিকর (এল)ঃ** লাক্লিবা লোক সভা মীখল অসিগী ভোৎ থাদনগদবা পুং ৪৮ ৱাৎলিঙৈদগী ভোৎ থাদবা লোইদ্রিবা ফাওবা লাউদ স্পিকর শিজিন্নবা থিংখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসারসু ওইরিবা দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট ইম্ফাল ৱেষ্ট, টি.ঐচ কিরনকুমারনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- মীখল অসি শান্তি লৈনা অমদি নিয়ম চুমা পাঙথোকবগীদমক থা অসিগী ১৭ কী নুংথিল পুং ৪ দগী ভোৎ থাদবা লোইদ্রিবা ফাওবা লাউদ স্পিকর শিজিন্নবা থিংবনি।

শ্রী কিরনকুমারনা থোকপা অতোপ্পা চেরোল অমদা হায়- ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী মফমশিংদা লৈরিবা পোল্লিং এরিয়াশিংগী অকোইবদা য়ু অমদি ময়াই কাবা চীঞ্জাকশিং য়োনবা থিংলে। অথিংবা অসি থা অসিগী ১৭ কী নুংথিল পুং ৪ দগী চৎনগনি।

উত্রা (এল)ঃ উত্রা শঙলেন্দ সনা কোনুংনা শিন্দুনা কোংবা লৈথোং ফাৎপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। ইম্ফাল ইষ্ট লিজাগী মনুং চনবা কোংবা লৈঙাংপোকপী পাঙ্গৈদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা অঙোম নিংথৌ পোইরৈতোন পাননা লাকপা ফমনাইবা, মায়চৌ, মায়বা লোইশঙ, পেনা লোইশঙ, অমাইবি লোইশঙ, থাংতা লোইশঙ অমসুং তোঙান তোঙানবা মফমদগী লাকপা মীয়ামা শরুক য়াখি।

আইকেম্প(এল)ঃ ষ্টেট হেলথ সোসাইতি মনিপুরগী মীৎয়েং মখাদা দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি তমেংলোংনা শিন্দুনা থা অসিগী ১২ দগী তমেংলোংগী দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালদা চথুরকখিবা লেমা মীৎ লায়েংবগী কেম্প ঙরাং লোইশিনখে। কেম্প অদুদা পুন্না মীওই ৭৫৭ লায়েংখি। মদুগী মনুংদা কেতরেক্ট সরজরি ৩৯ পাঙথোকখি।

ই.সিঃ ইলেক্সন কম্মীসননা দি.আই.জি মুরসিদবাদ রেঞ্জ মুকেসপু মীখলগা মরী লৈনদবা ফম অমদা ট্রান্সফর তৌখ্রে। লোয়নননা কম্মীসন অসিনা হাংহৌরিবা দি.আই.জি মুরসিদবাদ রেঞ্জকী মহুৎ শিন্নবা মতিক চাবা ওফিসর অহুম থাগৎলকবা রাজ্য সরকারদা খঙহনখ্রে।

অমরোমদা, ত্রিনামুল কংগ্রেসকী লুচিংবি মমতা বেনরজিনিনা ইলেক্সন কম্মীসনগী থৌরাং অসিবু য়ানিংদবা ফোংদোকপগা লোয়নননা করিগুন্বা মুরসিদবাদতা পামদবা থৌদোকশিং থোরক্লবদি মহাক মশানা ইলেক্সন কম্মীসনগী ওফিস মমাংদা ব্রাখৎ মীফম ফমগনি হায়না ফোংদোকখি।

**--অরোইবদা মরুওইবা পাউ অমুক --**

১)  বি.জে.পিগী লুচিংবা অমসুং গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা হায়রি- মনিপুরগী অপুনবগী শক্তম থুগাইবা কনাগীসু মিতক নত্তে ।

২)  মনিপুরবু বি.জে.পিনা কদায় ফাওবা লুমা লৌবগে হায়বদু ঙসি গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা তাক্লে হায়না মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা ফোংদোকখ্রে।

৩)  এম.পি.সি.সিগী ৱার্কিং প্রসিদেন্ত কে.ঐচ দেবব্রতানা হায়রি- বি.জে.পি লুচিংবা অমসুং গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহগী মনিপুর খোংচৎ অসিনা রাজ্য অসিগী মীয়াম্বু হেন্না খোয়শাউনহল্লে।

৪)  ইম্ফাল জিরিবাম লম্বী নেসনেল হায়ৱে ৩৭ তা সেক্যুরিতিগী খুদোংচাদবা লৈবদগী পেত্রোলিয়ম প্রদক য়াওনা নোংমদা তঙাই ফদনা চংবা পোৎলমশিং পুবা গাড়ি ৩০০ হেননা পন্দুনা লৈরে।

**অমসুং**

৫)  ত্রিপুরাবু চাউখৎপা রাজ্য অমা ওইহনবা হায়বসি নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা সরকার অসিগী অচেৎপা ফীরেপনি হায়না বি.জে.পিগী লুচিংবা মসুং গৃহ মন্তি অমিত সাহনা থাজবা পীখ্রে।

**--- পাউ লোইজরে---**